

# সনালৈবাক স্পোর্টস




IMPHAL, FRIDAY, JANUARY 05, 2018 PAGE 7


*প্রোফেসনেল গোল্ফ এসোসিয়েসনগী কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা তোঙান-তোঙানবা টাইটল ৯ দগী ১০ ফাওবা লৌগনি হায়বগী থাজবা থম্লিবা য়ুএসএগী ৱার্ল্ড নম্বর গোল্ফ শান্নরোই দষ্টিন জোনসন*

*হিরো ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মরুওইবা টিম অমা ওইরিবা দিল্লি দাইনামোসকী মায়কৈদা গোল কিপর ওইনবগীদমক নৌনা সাইন তৌনখ্রবা চহী ৩১শুবা স্পেনিস মচা জাবি ইরুরিতা*

## দিল্লি দাসর্সনা চেন্নাই স্মাসর্সপু প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ ২০১৭-১৮ কী লীগ মেটচ অমদা পোইন্ট ৩-০ দা থোইখ্রে




দিল্লি দাসর্সকী সিঙ্গলসকী মেটচ মায় পাকখিবা টিয়ান হোৱৈ

*লক্নৌ, জনুৱারী ০৪ঃ*

প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ানা হৌদোক্কুনা মরিরকশুবা ইদিসনগী ঙরাং অথেংবদা লক্নৌদা লৈবা বাবু বনারসি দাস ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা টাই অমদা দিল্লি দাসর্সনা চেন্নাই স্মাসর্সপু পোইন্ট ৩-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

টাই অদুগী অহানবা মেটচ অদু দিল্লি দাসর্সকী মায়কৈদগী ত্রম্প মেটচ ওইনা নুপাগী দবলসকী কাঙলুপ্তা টিম অদুগী ইভান সোজে ানোভ অমসুং ৱ্লাদিমির ইভানোভনা চেন্নাই স্মাসর্সকী সুমিত রেদ্দি অমসুং লি য়াংগা লম্বা তৌনবদা চেন্নাই স্মাসর্সকী পেয়র অদুগী মখুত্তা দিল্লি দাসর্সকী পেয়র অদু ১৩-১৫, ১১-১৫ দা মায়থিবা নংখি। মদুনা মরম ওইরগা টাই অদুগী পোইন্টতা দিল্লি দাসর্সকী পোইন্ট (-১) অদুগা চেন্নাই স্মাসর্সকী পোইন্ট লৌদনা লৈখি।

টাই অদুগী অনীশুবা মেটচ ওইনা নুপাগী সিঙ্গলসকী লম্বা তৌনরকপদা দিল্লি দাসর্সকী মায়কৈদগী শরুক য়ারিবা হোং কোং মচা ৱিং কি ৱোং ভিসেন্টনা চেন্নাই স্মাসর্সকী ব্রাইস লেভরদেজবু ১৫-১০, ১৫-১৩ দা থোইদুনা পোইন্ট পোইন্ট ০-০ দা লৈনখি।

টাই অদুগী অহুমশুবা মেটচ অদু নুপাগী সিঙ্গলসকী ওইনা লম্বা তৌনখি। মদুদা দিল্লি দাসর্সকী মায়কৈদগী টিয়ান হোৱৈনা চেন্নাই স্মাসর্সকী টানোনসাক সেনসোমবুন্সুকপু ১৫-১৪, ১৫-১০ দা থোইদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা চংখি।

প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপদা দিল্লি দাসর্সকী মায়কৈদগী নুপীগী সিঙ্গলস মেটচ শান্নবদা চেন্নাই স্মাসর্সকী পি ভি সিন্ধুনা অকনবা লম্বা থেংনদুনা হান্না লৈখিবা পোইন্ট অদু মাঙজিল থানবা হোৎনখি।

দিল্লি দাসর্সকী সুং জি হ্যুন অমসুং চেন্নাই স্মাসর্সকী পি ভি সিন্ধুগী মেটচ অদুগী অহানবা গেম পি ভি সিন্ধুনা ১৫-১১ দা থোইখি। মখা তারকপা অনীশুবা গেমদা শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনরবসু দিল্লিগী শান্নরোই সুং জি হ্যুননা চেন্নাই স্মাসর্সকী পি ভি সিন্ধুবু ১৫-১৩ দা থোইদুনা গেম অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অরোইবা গেমদা সুং জি হ্যুননা সিন্ধুবু য়াম্না নক্নবা লম্বাদা ১৫-১৪ দা থোইদুনা দিল্লি দাসর্সনা চেন্নাই স্মাসর্সপু পোইন্ট ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা চংখি।

টাই অদুগী অরোইবা মেটচ ওইখিবা মিক্স দবলসকী লম্বাদা দিল্লিগী আস্বিনি পোনাপ্পা অমসুং ৱ্লাদিমির ইভানোভনা চেন্নাই স্মাসর্সকী খৃস এদকোক অমদি গেভ্রিয়েল এদকোক্কা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা গেম অদু দিল্লিগী পেয়র অদুনা পোইন্ট ৬-৫ দা মাঙজিল থাদুনা লৈরিঙৈদা চেন্নাই স্মাসর্সকী মিক্স দবলসকী পেয়র খৃস অমসুং গেভ্রিয়েল এদকোক মখা তানা শান্নবা ঙমদনা পোথাখিবদগী টাই অদু দিল্লি দাসর্সনা চেন্নাই স্মাসর্সপু পোইন্ট ৩-০ দা থোইদুনা টাই অদু মায় পাকখি।

চথরিবা প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭-১৮ কী ওইনা দিল্লি দাসর্স পোইন্ট ১১ য়ৌবা ঙমখি। অমরোমদা ঙরাং মখোয়না মায়থিবা পীখিবা চেন্নাই স্মাসর্সকী টিম পোইন্ট ৭ ফংদুনা শোথদুনা লৈরি।

## জুবেন্টসনা টোরিনোবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীদুনা কোপ্পা ইটালিয়া ফুটবোল টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেলদা অটলান্টাগা থেংনরগনি




কোপ্পা ইটালিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংনা টোরিনোগী মায়োক্তা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা

*টুরিন, জনুৱারী ০৪ঃ*

ইটালিদা পাঙথোকপা ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা সেরি এ টুর্নামেন্টকী মথংদা লৈবা খ্বাইদগী মরুওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা কোপ্পা ইটালিয়া ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইটালিগী চেম্পিয়ন ক্লব জুবেন্টসনা টোরিনোবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেলদা অটলান্টাগা থেংনরগনি।

ঙরাং ইটালিগী সিটি টুরিনদা টোরিনোনা য়ুম্ফু ওইদুনা জুবেন্টসকা শান্নখিবা কোপ্পা ইটালিয়া কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেল মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংনা খুদুম চন্দুনা শান্নবা হৌরকখি।

শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী অয়াম্বা মতম অদুদা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নবা ঙমখিবা জুবেন্টসনা শান্নবগী ১৫শুবা মিনটতা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী দোগ্লাস কোষ্টানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা টোরিনোবু পাঞ্জল ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতম অদুদা টোরিনোগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবা অমদি জুবেন্টসকী মায়কৈদগীসু অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমখিদবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লকপদা জুবেন্টসনা টোরিনোবু পাঞ্জল ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদসু পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারিবা জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৬৭শুবা মিনটতা টিম অদুনা চথরকখিবা এটেক অমদা মারিও মান্দজুকিকনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা টোরিনোবু জুবেন্টসনা পাঞ্জল ২-০ দা হেন্দুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবগী লেমহৌবা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকপদা ফাওল তৌনবদগী রেফরিনা টিম অনীগী শান্নরোই অমমম য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচকী লেমহৌবা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্মখিদবদগী মেটচ অদু জুবেন্টসনা টোরিনোবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীদুনা কোপ্পা ইটালিয়া ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ঙসি সেমি ফাইনেল য়ৌখিবা জুবেন্টসনা মখোয়গী অহানবা লেগকী সেমি ফাইনেল অদু থা অসিগী ৩১ দা অটলান্টাগা শান্নরবা মতুং টিম অনীগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল লেগ অদুনা মথং থাগী ২৮ দা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা মিলান অমসুং লাজিও লম্বা তৌনগনি। টিম অনী অসিনা অহানবা সেমি ফাইনেল লেগ থা অসিগী ৩১ দা থেংরবা মতুং অনীশুবা লেগকী সেমি ফাইনেল অদুদা মথং থাগী ২৮ দা লম্বা তৌনরগনি।

## স্বিজরলেন্দগী টিম্না য়ুএসএগী টিম্বু মেটচ ২-০ দা মায়থিবা পীদুনা হোপমেন কপ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে



নুপীগী সিঙ্গলসকী মেটচ মায় পাকখিবী স্বিজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিক

*পর্থ, জনুৱারী ০৪ঃ*

মালেমগী টেন্নিস মশান্নগী টিমগী ওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা হোপমেন কপ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ (বি) গী ঙসি শান্নখিবা টাই অমদা স্বিজরলেন্দগী টিম্না য়ুএসএগী টিম্বু মেটচ ২-০ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

স্বিজরলেন্দ অমসুং য়ুএসএনা শান্নখিবা টাই অদুগী অহানবা মেটচ ওইনা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী মেটচ অমদা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা য়ুএসএগী জেক সোকপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা য়াম্না অকনবা লম্বা তৌনরবা মতুং মায় পাকপা ঙমখি।

অহানবা সেট অদু শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নরকখিবা মরম্না টাই ব্রেক ফাওবা য়ৌরকখি। টাই ব্রেক অদুদা স্বিজরলেন্দগী ফেদররনা য়ুএসএগী জেক সোকপু ৭-৫ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট অদুদসু শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নরকখিবা মরম্না গেম ৫-৫ মান্নদুনা লৈখি। মখা তানা শান্নরকপদা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা থংনবা গেম অদু লৌবা হানখিবদগী ৭-৫ দা থোইদুনা টাই অদু মেটচ ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

টাই অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচ নুপীগী সিঙ্গলসকী লম্বা ওইখি। মদুদা স্বিজরলেন্দগী নহা ওইরিবী শান্নরোই বেলিন্দা বিন্সিকনা য়ুএসএগী কোকো ভান্দরেগিবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না মান্ননা শান্নরকখিবা মরম্না টাই ব্রেক ফাওবা য়ৌরকখি। টাই ব্রেক অদুদসু মায়কৈ অনীদগী ফজবা মশান্না পুথোক্কদুনা শান্নরক্কবা মতুং লোইশিল্লকপদা স্বিজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিকনা ৮-৬ তা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট অদুদা স্বিজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিকনা য়ুএসএগী কোকো ভান্দিৱেগিগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪ দা থোইদুনা টাই অদু মেটচ ২-০ দা মায় পাকখিবদগী স্বিজরলেন্দগী টিম হোপমেন কপ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

গ্রুপ অসিমক্কী ঙসি শান্নখিবা টাই অমদা রুশিয়ানা জপানবু মেটচ ২-১ দা মায়থিবা পীখি। টাই অদুগী অহানবা মেটচ ওইনা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী মেটচ অমদা রুশিয়াগী অনাষ্টেসিয়া পাব্লিয়ুচেনকোভাবু জপানগী নাওমী ওসাকানা ৬-৪, ৩-৬, ৭-৬(৭-৫) দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

টাই অদুগী অনীশুবা মেটচ ওইনা লম্বা তৌনখিবা নুপাগী সিঙ্গলস মেটচতা রুশিয়াগী কারেন খাচানোভনা জপানগী য়ুইচি সুগিতাবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬-৪, ৬-২ দা মায়থিবা পীদুনা টিম অনীমক মেটচ অমমম মান্নদুনা লৈখি।

টাই অদুগী অরোইবা অমদি দিসাইদিং মেটচ ওইনা লম্বা তৌনখিবা মিক্স দবলসকী কাঙলুপ্তা রুশিয়াগী পেয়র অনাষ্টেসিয়া পাব্লিয়ুচেনকোভা অমদি কারেন খাচানোভনা জপানগী পেয়র নাওমী ওসাকা অমসুং য়ুইচি সুগিতাবু ৪-১, ৪-০ দা থোইদুনা টাই অদু রুশিয়ানা জপানবু মেটচ ২-১ দা মায় পাকখিবনি।

## বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভনা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন মিলমেন মায়থিবা পীদুনা ব্রিজবেন ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে




ব্রিজবেন টেন্নিসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভ

*ব্রিজবেন, জনুৱারী ০৪ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্ফু ওইদুনা পাঙথোকপা টেন্নিস টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ব্রিজবেন ইন্টরনেস্নেল টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভনা য়ুম্ফু লৈবাক ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন মিলমেনবু মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

দিমিত্রোভ অমসুং মিলমেননা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু মিলমেননা দিমিত্রোভকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোথরবা দিমিত্রোভনা অনীশুবা সেট অদুদা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা শান্নরকপদগী টাই ব্রেক ফাওবা পুরকখি। টাই ব্রেক অদুদসু শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা ওইখি। অদুবু লোইশিল্লকপদা গ্রিগোর দিমিত্রোভনা ফজবা হেনখিবদগী পোইন্ট ১০-৮ দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অরোইবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা দিমিত্রোভকী মায়কৈদগী য়াম্না ফজনা শান্নরক্তুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী মিলমেনগী সার্ভিস গেম অমা ঙন্না ব্রেক তৌখিবদগী ৬-৩ দা থোইদুনা মেটচ অদু মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখিবনি।


টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর শান্নরোই ওইরিবা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভনা সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা শান্নরোই সাউথ কোরিয়াগী হিয়োং চুংবু অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং ৭-৬(৭-৫), ৫-৭, ৬-৪ দা থোইরম্বা গ্রেট বৃটেনগী কাইল এদমুন্দনি।

ব্রিজবেন ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা উজবেকিষ্টানগী দেনিস ইষ্টোমিন অমসুং য়ুএসএগী রাইন হরিসন লম্বা তৌনরগনি।

উজবেকিষ্টানগী দেনিস ইষ্টোমিননা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা য়ুএসএগী জারেদ দোনালসনবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৭-৬(৭-৫), ৬-২ দা থোইরম্বনি।

অমরোমদা ইষ্টোমিনগী সেমি ফাইনেলদা লম্বা ওইগদৌরিবা গ্রেট বৃটেনগী কাইল এদমুন্দনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা জর্মনিগী য়ানিক হান্ফমেনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নবা মতুং ৬-৭(৫-৭), ৬-৪, ৬-২ দা থোইরম্বনি।

## নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসিগী এদভাইজর অভ্রাম গ্রান্টনা ওইরগনি




*গুৱাহাটি, জনুৱারী ০৪ঃ*

হিরো ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টিম অমা ওইদুনা শরুক য়ারক্লিবা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসিগী এদভাইজর ওইনা মমাঙদা ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব চেলসিগা কুইনা মরী লৈনরক্লবা অভ্রাভ গ্রান্টনা থৌ পুরগনি।

পনবা য়াই ইন্দিয়াগী ফুটবোল লীগকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারিবা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী ফিভম শোকচিল্লকপদগী কোচ ওইরম্বা জাৱো দুৱেস ফম লৌথোকখ্রবা মতুং অভ্রাম গ্রান্টতা ক্লব অসিগী এদভাইজর ওইবগী ফম অদু শিন্নখিবনি।

গ্রান্ট কুমজা ২০০৭ দা ইংলেন্দগী চেলসি ফুটবোল ক্লবকী দিরেক্তর ওইনা থৌ পুরম্বনি। মদুগী মতুং মহাক্না ইজরেলগী ফুটবোল টিমগী কোচিং অমসুং মেনেজমেন্টকী থৌ পুদুনা লৈবাক অদুগী তোঙান-তোঙানবা ফুটবোল ক্লবশিং শেমগৎপগী থৌদাং লৌখি।

## পি আর স্রিজেস হোক্কি ইন্দিয়ানা নুমিৎ ১৫ নিগী অথিংবা থমখ্রে




*ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ০৪ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কিগী নম্বর ৱান গোল কিপর ওইরম্বা পি আর স্রিজেসনা মমাঙ চহীগী ওক্তোবর থাদা হোক্কি ইন্দিয়াগী ওফিসিয়েলশিংগী অয়াবা য়াওদনা একজিভিসন ফুটবোল মেটচ অমা শরুক য়ারুবগীদমক হোক্কি ইন্দিয়ানা শান্নরোই অসিগী মথক্তা নুমিৎ ১৫ নিগী অথিংবা থমখ্রে।

নীংশিংবা য়াই কুমজা ২০১৮ দা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম্না তোঙান-তোঙানবা ইন্টরনেসনেল টুর্নামেন্ট কয়া শরুক য়ানবগীদমক্তা শান্নরোই ৩৩ গী মরুওইবা শান্নরোই খনগৎতুনা ট্রেনিং কেম্প চথগদৌরিবা অদুদা পি আর স্রিজেস য়াওখিবনি।

অদুবু হৌখিবা চহীগী ওক্তোবর থাদা স্রিজেসনা সেলেব্রিটি একজিবিসন ফুটবোল মেটচ অমদা হোক্কি ইন্দিয়াগী অয়াবা য়াওদনা শরুক য়ারুবগীদমক অথিংবা থল্লকপনি।

## রুশিয়াগী মারিয়া সরাপোভা সেনঝেন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে



*সেনঝেং, জনুৱারী ০৪ঃ*

চাইনাগী সিটি সেনঝেং দা পাঙথোকপা সেনঝেং ওপন দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ মায় পাক্তুনা রুশিয়াগী মারিয়া সরাপোভা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

মমাঙদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবী মালেমগী নুপীগী টেন্নিসকী চহী অমরোমগী মতম দ্রগ শিজিন্নরম্মী হায়বগী মরালদা শান্নরুদ্রবা মতুং নৌনা শরুক য়ারকপদা রুশিয়াগী মারিয়া সরাপোভানা ঙসি কজাখষ্টানগী শান্নরোই জারিনা দিয়াসপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৬-৩ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মায় পাকখিবা অদুগা লোয়ননা মারিয়া সরাপোভানা চহী অমা দ্রগকী মরালদা অথিংবা লৈদুনা শান্নরুদ্রবা মতুং নৌনা শরুক য়ারকপদা সেনঝেংগী টুর্নামেন্টতা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা ৱার্ল্ড নম্বর ৫৯ দা য়ৌরকপা ঙম্লি।

সরাপোভানা সেনঝেং ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌননবগীদমক্তা জেক রিপব্লিক্কী শান্নরোই অনী কৃষ্টিনা প্লিজকোভা অমসুং কেটারিনা সিনিয়াকোভা অদুগী অথোইবা অদুগা সেমি ফাইনেল লম্বা তৌনগদৌরি।

মশাগী চহী ৩০ শুরবী রুশিয়াগী মারিয়া সরাপোভা সাউথ চাইনাগী সিটি সেনঝেংনা পাঙথোক্লিবা টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা সিদিং ফংদনা শরুক য়ারকপনি। অদুবু মহাক্না টুর্নামেন্ট অদুগী লম্বাশিং মায়থিবা পীদুনা ফজবা ঙম্বদগী সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি। মমাঙদা মালেমগী নুপীগী গ্রান্দ স্লাম টাইটল ৫ রক লৌবা ঙমখ্রবী মারিয়া সরাপোভানা টুর্নামেন্ট অসিদা সিদিং ফংদনা শরুক য়ারবসু কজাখষ্টানগী জারিনা দিয়াসকা শান্নখিবদা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।